কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংবু চৈরাক পীয়ু হায়বা পাউজেল পুদুনা য়ু ট্যুবর কিরন মৈতৈ কোন্থৌজমনা হৈরোক লিতান মখোঙদগী ৰাংজিং কৈথেল ফাওবা তুং হন্দুনা চেল্লকপদা মৈরা পায়বীশিংনা ওকখিবা

পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী এসোসিএসন্না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা মণিপুরদগী অসাম রাইফলস লৌথোক্লবা খোঙজং চঙশিনখিবা

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙ ৰাংজিং হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা ৱাকৎশিং তকশিন্দুনা স্কুল কেম্পসতা খোঙজং চঙশিনখিবা

লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল লোকল সেল্ফ গভর্ণান্সকী মীখলদা মীরেপ ওইনবা শেম-শারিবী নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ১গী এলাংবম ওংবী ফজবীস্নানা আই এন সীদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখিবা

মণিপুর পুলিস মপাঙ্গল কল্লে, লো এন্দ ওর্দর কন্ত্রোল তৌরি হায়খিবা য়ূম্ফম য়াওদে : সী পি আই

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী মীফম ঙসি হৌবা নুমিত্তা সী এম বিরেননা থমখিবা ৱাফমদা পেন্দবা ৱাফম কয়া লৈখ্রে। ষ্টেট পুলিসকী মপাঙ্গল কল্লে, আর্মদ ভেহিকলনচিংবা কয়া সেন্টর লৈঙাক্লা পীরক্লে অমসুং লো এন্দ ওর্দর ফজনা ফংগৎলে হায়রিবসিবু চুল্লিবরা হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, সী পি আইগী ওফিস সেক্রেটরি টি ঐচ রোবিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হংলক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী থোরক্লিবা ঈরাংসিদা মীওই ২০০/৩০০গী পূন্সি লোমখ্রে, য়ূম লীশিং ৫/৬ মৈ থাদোকখ্রে। ঙসিসু অদুমক মখা চত্থরি। মীওই লীশিং ৭০ হেন্না লাঞ্জেন্নহনখ্রে। মসিবু লো এন্দ ওর্দর ফগৎপগী খুদল্লা। পুলিস মোদর্নাইজেসনগী খুদম উৎপা ঙল্লবা পুলিসকী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎপা ওইরবদি নোংমৈ কাপথরক্লিবা কয়াসিবু করিগী থোকহল্লিবনো, খুদক্তা ফাবা-পুনবা তৌবা য়াদবরা, মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মীওই ৪০ হেন্না ঙসি ফাওবা মরী-মখোঙ খঙদ্রি। মসিদা পুলিস মোদর্নাইজেসননা করিসু তৌবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা, হন্দক তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ৱার্দ নম্বর থ্রী দিমথানলোংদা চীং নীংখায়বদা মমা-মচা অনীমক লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, সী পি আইনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি। লোয়ননা কেরলা ষ্টেটকী ৱায়নর এ সীদা চীং নীংখায়বদা মীওই ১৫৬ লৈখিদবা অমসুং কয়া অমা শোকহনখিববুসু সী পি আইনা অৱাবা ফোঙলি। লৈখিদ্রবশিংগী মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীনবা দিমান্দসু তৌরি। কম্পেন্সেসন পীগনি লাউথোকখ্রগা হেক-হেক পীদবগী থবকসি তৌবীগনু। থা ১৯গী মমাঙদা লুপা লাখ ৫/৫ পীগনি লাউথোকখ্রগা ঙসি ফাওবা পীদ্রি হায়বসি ঈকায়নিংঙাইহনি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, জুলাই ৩০গী অকনবা নোংজুদা কেরলাগী ৱায়নরতা থোকখিবা লেন্দস্লাইদতা মীওই ১৫৬ শিখিবা অমদি ১৩০ রোম অশোক-অপন নংখিবদু সী পি আইগী নেসনল সেক্রেটেরিয়েটনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌদোক অদু নেসনল দিজাষ্টরনি হায়না লাউথোক্লবা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্তা তকশিল্লি। মথং-মথং চীং নীংখায়রকপদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খুঙ্গং অমসুং সহরশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা চাউনা অপনবা থোকহল্লে। খুঙ্গংগা সহরগা শম্নবা লম্বী অমসুং থোং তৎখিবদগী নোংমগী হিংনবা হোৎনরিবশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। লাইবক থীরবা থৌদোকসিদা শিখিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী থাজবা ৱাংবনা লৈবাক্তা ফুঞ্জিনখ্রবশিং লৌথোক্লবা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী মথক্তা অহেনবা লান্মী থাজিন্দুনা মীচম-মীয়ামগী পূন্সি কন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরগী মতাংদা য়ুনিয়ন বডজেটতা ৱাফম অমত্তা পনখিদ্রবসু সী এমনা এসেম্বলী ফ্লোরদা য়ুনিয়ন বডজেট থাগৎখিবা অদুবু চুল্লিবরা। য়ুনিয়ন বডজেট ২০২৪ অদু বি জে পি নত্তনা মীচম-মীয়াম ক্রোর ১৪০না রিজেক্ট তৌখ্রবনি। অদুবু মণিপুরগী সী এমনা ষ্টেট এসেম্বলীগী ফ্লোরদা থাগৎখিবা হায়বসি শোথরবা মীয়াম অমদি ইন্দিয়াগী মীয়ামসু নমথবগী খুদম্নি। ষ্টেট বডজেটতা য়েংলবসু এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী থাদরক্লিবা শেনফমসিগী পার্সেন্টেজ কয়া ফিল্ডদা লৈহৌগদগে হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এন আর সী অসি থিওরিদি য়াম্না ফজে অদুবু মণিপুরদদি থবক ওইনা ওন্থোকপদা মপুং ফারোই : দল্লিয়ু এম সী

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মতম পুন্নবা 'এন আর সীনা নম্বর ৱাননিকো' হায়রিবসি ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সীল (দল্লিয়ু এম সী)না মুন্না খন্নরবা মতুংদা এন আর সী অসি থিওরিদদি য়াম্না ফজবা অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপদদি মরু ওইনা মণিপুরদদি মপুং ফাও হায়বা য়ারোইদবনি হায়বসি খঙবা ঙম্মী হায়না দল্লিয়ু এম সীগী সেক্রেটরি জেনরেল য়াম্বেম অরুন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, এন আর সীদা য়াওরমদবা মীওইশিং অদুগী করি তৌবীগদবনো হায়বদু ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস অমসুং অতৈ প্রক্টিকেল ওইবা মীওইবদি অমোৎ-অকায় নত্তবনিনা খূৎ থাবদা হেক য়ারোইদবা মখল-মখলগী লিগেল ইস্যু ময়াম্না থবক্তা ওন্থোকপদা লোইবা নাইরোইদবা হ্যুমেন ইস্যু কয়া লৈগনি। য়ূল্লোন্নবা অসামদা সুপ্রীম কোর্টনা পাউতাক পীরবা ফাওবদা করি ওইরিবগে হায়বদু সী এমনা ৱাখল তাবীয়ু। মরম অসিনা অরেম্বদা মতম মাঙহনবগী মহুত্তা মীতৈশিং হিংজনবা কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা সেদ্যুল্দ ত্রাইবকী প্রোভিজন অদু মুন্না খনবীরগা মখা তানা মতম মাঙহনবীদনা রিপোর্ট অনীদু থাবীনবা হায়জরি।

দল্লিয়ু এম সীনা লেপ্পা লৈতনা মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লিবসি ঐখোয়গী হিংজনবগী খোঙজংনি। ঙরাংসু সেকমাইজিন খুনৌ য়ুথ ক্লব গ্রাউন্দদা সেকমাইজিন খুনৌ, ময়াই লৈকায় মৈরা পায়বী অমদি দল্লিয়ু এম সী, মণিপুর য়ুনিটকা পুল্লগা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না অহিংদা থোরক্তুনা খূত্ত মৈরা পায়রগা সী এম বিরেনগী লৈঙাকসিনা লৈবাক মীয়াম্বু থওইবীদনা চহী ৭সি নখোয়না লাউনিংবা লাউজৌ নৱা লৌদে হায়বগী মতাগুম তৌরিবসিগী মায়োক্তা থম্মোয় শোক্লা খোল্লাও লাউখি। অসামগী কাঙলুপ তরুক ঐখোয়দগী শরুক ১০ হেন্না চাউবা কাঙবুগীদমক্তদি অসামদগী কারকপা কোংগ্রেস লুচিংবা এম পি গৌরব গোগোইনা মখোয়গী কাঙলুপ তরুক অদু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টতা মখৌ পোংনা লাউবা ঙল্লগা মণিপুরগী সী এম বিরেন অমসুং এক্স-সী এম, ও ইবোবী অনীনা করিগী তুমীন্না লৈরিবনো। লুচিংবা অনীসিগী মতৌসি ঐখোয়না য়াবসু ঙল্লোই, কাউবসু ঙল্লোই। দল্লিয়ু এম সীনা সী এম বিরেনগী লৈঙাক্তা হায়জখিবা ওগষ্ট থাসিগী মনুংদা মীতৈগী এস টিগী রিপোর্ট অনীদু থাবীনবা হায়জরি। চত্থরিবা এসেম্বলী মীফমসিদসু মীতৈগী হিংজনবা হায়জরিবসিদা য়ানবা পুরকপীয়ু। মসিনা মণিপুরগী অফবা ওইগনি হায়বসি লৈবাক মীয়ামগী অচেৎপা থাজবনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং দল্লিয়ু এম সীগী সেক্রেটরি জেনরেল য়াম্বেম অরুননা থাদোরকপা চেরোল অমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উননবা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিদববু পেন্দবগা লোয়ননা লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, মণিপুরদা হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী চত্থরক্লিবা মীওৎ-মীনৈগী থৌদোকসিনা মীওই লীশিং ৬০গী মথক্তা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা অৱাবা খাঙদুনা লৈরি। মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংসি লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লকপা চিন কুকি টেররিষ্টশিংনা লমদমসিদা হান্না লৈরবা চিন কুকি পিপলশিংগা খূৎশম্নদুনা মীতৈশিংগী মথক্তা চত্থরকখিবা লানদানি। লানদাসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অথুবদা লোইশিনবীনবা মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

নার্কো টেররিষ্টশিং চৈরাক পীয়ু হায়বা পাউজেল লমজেল চেনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : চহী ১ হেঞ্জিল্লক্লবা কাঙলুপকী ঈরাংসি ৱারোইশিন পুরক্লবা অমদি ঈরাংসিবু থোকহল্লিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংবু চৈরাক পীয়ু হায়না ঙসিসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পোইরৌখোংজিল মনারৈ মখোঙদগী য়ু ট্যুবর কিরন মৈতৈ কোন্থৌজম (৪৩)না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক লিতান মখোঙদগী ৰাংজিং কৈথেল ফাওবা পাউজেল পুবা তুং হন্দুনা লমশাং লমজেল চেনখ্রে।

হৈরোক লিতান মখোঙ মৈরা পায়বী, অরাম্বাই য়ুনিট-৫ অমদি হৈরোক অপূনবা ক্লবকী থৌমীশিংগা পুন্না 'লোং লিভ মণিপুর, মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়াগী কাঙলুপ নাইবা থৌশিল য়ানিংদে' হায়বা খোল্লাও অহুম লাউরবা মতুং হৈরোক অপূনবা ক্লবকী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম জিবননা লমথাদুনা চেনখিবা লমশাং লমজেল অদুনা হৈরোক কৈথেল অমদি ৰাংজিংগী অতৈ মফম কয়া ফাওদুনা চেল্লক্লবা মতুং ৰাংজিং কৈথেলদা ইই ও লমদিংগী ভোলন্টিয়রশিংনা তরাম্না ওকখি।

য়ু ট্যুবর কিরন মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লেপ্তুনা চত্থরিবা মীহাৎ-মীপুনসিদা মশাগী য়ুমদা চঙবা ফংদনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ইরৈচা য়েলহৌমী পুম্নমক্কী অৱাবদা শরুক য়াজরি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা চত্থরিবা মীহাৎ-মীপুনসিদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক অনীনা মতম চানা টেররিষ্টশিংসিবু লাকশিনবা ঙমদবা অমদি এক্সন লৌখৎপা ঙমদবসি য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা মণিপুরগী মফম শীনবা থুংনা লমশাং লমজেল অসি চেনবনি। মীয়াম্না পাউজেল পুবা লমজেলসিবু শৌগৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৰাংজিং হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিং খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা মহৈরোয় মশীং য়াম্না লৈবা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ৰাংজিং হায় স্কুলগী মশীং য়াল্লবা মহৈরোয়শিংনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা ৱাকৎশিং তকশিন্দুনা স্কুল কেম্পসতা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মহৈরোয়শিংনা তাক্লিবা ৱাকৎশিংগী মনুংদা ওজা য়াম্না ৱাৎলে, অৱাৎপা ওজা হাপ্পীয়ু, মে ৫গী লেননা ফুদ্দৎখ্রবা স্কুলগী জিল্ঘশিং শেমজিনবীয়ু অমদি ওজাশিংদা কনাগুম্বা অমত্তনা মখল অমত্তগী পুবা-থাংবা ঙমদবা দিমান্দ তৌবীগনু, ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমহনবীয়ু হায়রিবশিং অসিনি। ঙসিগী খোঙজং অদুদা মহৈরোয়শিংনা 'ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমহনবীয়ু, স্কুলশিং দিষ্টর্ভেন্স ফ্রী জোন ওইহনবীয়ু, স্কুলগী অৱাৎপা ওজা, ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং পীবীয়ু' হায়বনচিংবা থাবা প্লেকার্দ কয়া পায়বগা লোয়ননা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী ক্লাস টেন তল্লিবী মহৈরোয় সনসম বিদ্যালক্ষ্মীনা মহৈরোয়শিংগী মহুৎ শীল্লগা হায়খিবদা, মখোয়গী স্কুলসি হৌজিক ওজাগী অৱাৎপা য়াম্না লৈরে। অঙ্ক তাকপা ওজা অমনা সাইন্স অমদি অতৈ সবজেক্টশিং তাক্তুনা লৈরে, ওজা য়াওদনা ঐখোয়না করম্না মহৈ তমগনি। ওজাগী অৱাৎপশিংসি মরী লৈনবশিংনা অথুবদা পীবীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, হৌখিবা মে ৫দা শিৎখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈদুনা স্কুলসিগী ওফিসকী য়ুমথক কুপ্পা জিল্ঘশিং লোইনা ফুদ্দৎখিবদগী কাশিংসি শীজিন্নবা য়াদবদগী মহৈরোয়শিংগী ক্লাস ওইনবা কা অমদা ওফিস ওইনা শীজিন্নরি। মসিনা ক্লাস ২/২ পুনশিনবা য়াওরে। স্কুলসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অথুবদা শেমজিনবীয়ু হায়খি।

আই এন সীদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : লাক্লিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল লোকল সেল্ফ গভর্ণান্সকী মীখলদা মীরেপ ওইনবা শেম-শারিবী কোন্থৌজম এ সীগী মনুং চনবা নম্বোল মোইজিং, নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ১দগী এলাংবম ওংবী ফজবীস্নানা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) য়াওরকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা কোন্থৌজম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি অৱাং জিরিদা লৈবা ব্লোক্কী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী হান্নগী এম পি ডা. থোকচোম মৈন্য, এম পি সী সী কিষান কম্মিটিগী চেরমেন লাইশ্রম নন্দো, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কালেঞ্জন কবুইনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা নৌনা আই এন সীদা য়াওরক্লবী এলাংবম ওংবী ফজবীস্নাবু আই এন সীগী লেংয়ান য়ান্দুনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। ফজবীস্নানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না আই এন সী য়াওরক্লিবসি মীয়ামগী য়াইফন্নবা থবক কয়া পায়খৎনিংবগী অপাম্বা লৈবদগীনি। পার্টিগী লুচিংবশিংনা অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীগনি থাজে হায়খি।

[illegible]

[illegible]

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রারনা অরানবা থবক থৌরম খরা চত্থরব্রা…

লমায় ১গী মখা… মতুং ইন্না ওফর ফোর্ম পীদুনা জোইন তৌবা য়াহনখ্রবসু লাইবক থীবা অমনা নোটিফিকেসন অসিদা দিপার্টমেন্ট ওফ বোট্রানি অমসুং ফিজিক্সকী ওইনদি ওফর ফোর্ম পীবীদ্রে। হীরমসিগী মতাংদা ফেসোকনা কুপ্না থিজিল্লুবা মতমদা থাজবা য়াদবা ওইথোকপগী মরম চাদবা হীরমদা হায়বদি এগজামিনিং ওথোরিটিনা পীরল্লিবা টেব্যুলেসন টেবল অদু মপুং ফাদে হায়বগী ওইরল্লে। হীরমসিগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবা অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী হান্নগী অমসুং হৌজিক্কী ভাইস চান্সেল্লর ওইরিবা অমসুং রেজিষ্ট্রার ওইরিবশিংসি পূকচেল শেংদবগী মমি অমা লৈবাক মীয়াম অমসুং ফেসোকনা উবা ফংজরে। তশেংনা থোক্লিবা ৱাথোকসিগী মতাংদা ফেসোকনা মায়কৈ কয়াদগী থিগত্তুনা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরগা ফম্মিন্নদুনা ইন্টর্ভিয়ু লৌরুবদা মার্ক ফজনা পীরগা টেব্যুলেসন ফজনা তৌরম্বগী পাউ তারে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী হৌজিক রেজিষ্ট্রার অমসুং ভি সী ইন-চার্জ ওইরিবা অনীনা মণিপুরগী গভর্ণরদা হীরমসিগী মতাংদা থমখিবা ৱাফমশিংদু মীয়াম্না অমসুং ফেসোকনা থাজনিংঙাই ওইদবা ৱাফম্নি হায়না খল্লি।

হীরমসিগী মতাংদা চয়েৎনহল্লগা খুদোংচাবা লৌরগা মরী লৈনবা মণিপুর লৈঙাক্কী অঙম-অথৌশিংগা লৌতুনবা মানবা মওংদা হৌখিবা জুলাই ১৯, ২০২৪দা হৌজিক দি এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার ওইরিবী নিবেদিতা লাইরেনলাকপমনা খূৎয়েক পীদুনা থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট অনী অসিগী ওজা লৌবগী ইন্টর্ভিয়ুদা ইন্টরভ্যুৱর ওইখিবা ওজা অমনা ফাওবা টেব্যুলেসন ফজনা তৌরম্মী। মরম অসিনা হীরমসিদা য়েংশিনবীনবা হায়দুনা মশামক্না হৌখিবা জুলাই ২০দা খূৎয়েক পীদুনা হৌজিক্কী অমসুং হান্নগী ভি সী অমদি রেজিষ্ট্রারদা হায়জবগী চেরোল লৈখ্রবনি।

মরম অসিনা চাউখ্রবা য়ুনিভর্সিটি অমগী অৱাংবা থাক্কী ফম পায়রিবা মীওইশিংসিনা থৌশাদবদগী থোক্লিবা অমসুং অঙম-অথৌশিংগা লৌতুনবা মানবা মওংদা চত্থরিবা থবকশিংসিদা হকথেংননা য়াওরিবা য়ুনিভর্সিটিসিগী ভি সী অমসুং রেজিষ্ট্রারশিংসি মহৈরোয় খুন্নাইগী অমসুং লৈবাকসিগী ওইরিবা এদ্যুকেসনগী ফীভমসি খঙবীরগা কলহৌনবগীদমক মখোয়বু ৱারকপগী মতম ওইদ্রিবরা হায়না ফেসোকনা মীয়ামদা হংলক্লি। হীরমসিগা ঈরোয়ননা মসিদা খুদোংচাবা লৌরগা বোট্রানি অমসুং ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী ইনৌ নৌনা ওজা ১১ অমসুং ১৩ মথংশিংনা ইন্টর্ভিয়ু তৌরগা থবক লৌগনি হায়বসি মরম চাদে। হান্নগী নোটিফিকেসন (জেনরেল টর্মস এন্দ কন্দিসন্স) দসু ওজা হেনগৎপা য়াই নৎত্রগা তাবা য়াই হায়না য়াওরিবা ৱাফম অদুসু ইন্টর্ভিয়ুগী মতম খত্তনি অদুগা হৌজিক ইন্টর্ভিয়ু লোইরগা কমদৌনা চৎন-কাঙলোন থুগায়রগা ওজা লৌরিবনো। নৌনা নোটিফিকেসন থোক্তুনা ওজা কৌরগা হান্না ফোর্ম থাজিনখ্রবশিংদগী ইন্টর্ভিয়ু তৌনি হায়বসি মরম চাদে। দিপার্টমেন্ট অমগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৪/৪ খক্তং থবক কৌরগা জুলোজিগী সিলেক্সন লিষ্ট থোক্লকপদা ওজা ১৫ করিগী খল্লিবনো অমসুং লো দিপার্টমেন্টতা করিগী ওজা ৬ খল্লিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং ওইরি। মসিদা নত্তনা ইনৌ নৌনা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৬০ খল্লিবসি করিদা য়ূম্ফম ওইরগনো হায়বসি ফেসোকনা দি এম য়ুগী ওথোরিটিদা হংলি।

মসিগা ঈরোয়ননা দিপার্টমেন্ট ২২গী হায়দোকখ্রিবা ওজাশিংগী মতাংদসু হৌজিক্তি পূকচেল শেংনা থবক লৌদবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে। কম্মর্স, ইকনমিক্স, মণিপুরী অমসুং জুলোজিগী হায়রিবা দিপার্টমেন্টশিংসিগী খনখিবা ওজাশিংগী মতাংদসু য়ুনিভর্সিটিনা পীরিবা এ পি আই ভেল্যুশিংদু য়েংলুরগা ভেল্যু ৱাংবশিংনা খন্দ্রগা অনেম্বশিংনা খনখিবগী ৱারী হৌজিক্তি নোংম-নোংমগী মথি ফোংলক্লে। খুদম ওইনা এস এল ই টি/এস ই টিনা মার্ক ৩, এন ই টিনা মার্ক ৫, জে আর এফনা মার্ক ৭, পি ঐচ দিনা মার্ক ৩০ ওইদুনা থবকশিংসি লৌনবা হোৎনরবসু নেট জি আর এফ, পি ঐচ দি লোইরবা অমসুং ইন্টর্ভিয়ু ফজনা তৌখ্রবশিংনা খন্দ্রগা শুপ্নগী নেট খক্তং ওইবা কয়া থবক খল্লম্বশিংসিসু অঙকপা পোকই। হীরমসিগী মতাংদসু করিগুম্বা অশোয়বা য়াওরল্লবদি ফেসোকনা তুমীন্না লৈথোক্লোই হায়রি।

'লাংপোকলাকপম রাজু মরাল লৈজদবনি'

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা মার্চ ২১, ২০২৪গী নুমিদাংদা নম্বোল সাবল লৈকায়দগী অরাম্বম সঞ্জিৎ (৪৭), অপোকপা দামু কৌবা মীওই অমনা লাংপোকলাপম রাজু (৩৫), অপোকপা এল কাওবা, মাইবম চীংনিংদা লৈববু মহাক্কী ওটোদা রিজার্ভ অমা চৎলুসি হায়না পুখ্রগা নুমিৎ অদুমক্তদা লাইবক থীবা থৌদোক থোকখিবনি। থোকখিবা থৌদোক অদুদা রাজুদি মরী লৈনদে হায়না রাজুগী লোয়নবী লাংপোকলাকপম ওংবী মিকোনবালানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নম্বোল মাইবমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লাংপোকলাকপম রাজুগী লোয়নবী মিকোনবালানা মখা তানা হায়খিবদা, মহাক্কী মপুরোইবনা ওটো থৌরগা ইমুং-মনুং পুদুনা লাকপনি। হৌজিক মখোয়গী মচা অমা লৈরে। মরম অদুনা মহাক্কী মপুরোইবদি থৌদোক অদুগা মরী লৈনদে। নোংম-নোংমগী অফংবা তাল্লগা ইমুং পুজবনি। থোক্লিবা থৌদোক অদুগা মহাক্কী মপুরোইবগা মরী লৈনহনবীগনু হায়খি।

সটডাউন তৌগনি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : ওইনাম থিঙেলগী ঐচ টি পোলশিং শীন্দোকপা অমদি লাইন জি ও স্বিটচ ইন্সটোলেসন তৌগদবনা হয়েং ওগষ্ট ১গী অয়ুক পুং ১১.৩০দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবা ১১ কে ভি শীংজমৈ ফিদরনা কোনবা মফমশিং শীংজমৈ মথক চোংথাম লৈকায়দগী কক্ৱা কৈথেল ফাওবা মৈ মমগনি হায়না এম এস পি দি সী এল, আই ই দি-৩গী দেপ্যুটি মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

AFMG
Academy for Foreign Medical Graduates
No.1 Academy for FMGE From 20 Years
[illegible]
First Time in Manipur
FMGE (MCI) Coaching Institute
All the Faculties from Delhi
by
Dr. Omkar Sonawane (Surgery)
LIMITED SEAT
Classes will started from 13th August, 2024
@ NEFSA Group of Institution,
Hatta New Checkon Raod, Imphal East, Manipur
For Details : 7005139464 / 9856154334 / 7005102097
HL-B/8879/26/7-9/8

[illegible]

[illegible]

ANGELS' COACHING CENTRE [illegible]
URIPOK POLEM LEIKAI NEAR EDHOU KHAMLANGBA
ADMISSION IS GOING ON for Class VI-X
LIMITED SEAT FIRST COME FIRST SERVE
BOARDING FACILITY (SEPARATE FOR GIRLS & BOYS)
STARTS ON 8th AUG 2024
TIME: 4:30 P.M. to 7:30 P.M
TUITION FOR ALL SUBJECTS (BY HIGHLY EXPERIENCED TEACHERS)
DISCOUNT FOR STUDENTS IN RELIEF CAMP
TOPPERS of 2024
1ST-MOCK TEST G. MRIDULA LITTLE FLOWER (CGPA-10)
SUNAYNA S. NIRMALABAS 2ND-MOCK TEST
BELONA I. NIRMALABAS (CGPA-9.83)
TAMANNA TH. NIRMALABAS (CGPA-9.83)
Y. DIPEEKA TINY TOTS (CGPA-9.83)
NUBIA H. LITTLE FLOWER (CGPA-9.67)
NUNGSHITOMBI PAREE IMOM (CGPA-9.67)
TH. HELLY CHRIST JYOTI (CGPA-9.67)
RISAH R.K. NIRMALABAS (CGPA-9.67)
B. ANJERITA LITTLE FLOWER (CGPA-9.67)
JARITA TH. NIRMALABAS (CGPA-9.67)
KERSTINA TH. BRIGHTER (KHUM) (CGPA-9.67)
KREETIKA R.K. NIRMALABAS (CGPA-9.5)
LANGLEN TH. LITTLE FLOWER (CGPA-9.5)
HENRY A. HERITAGE CONVT. (CGPA-9.5)
TH. ADIS NGANBA ST. JOSEPH (CGPA-9.5)
DECIMA H. TINY TOTS (CGPA-9.5)
M. HENTHOIBI LITTLE FLOWER (CGPA-9.5)
I. SONALI LITTLE FLOWER (CGPA-9.5)
S. ROBERTSON ST. JOSEPH (CGPA-9.5)
1ST POSITION 2020 RESHMI N. Pitambara
1ST POSITION 2019 BHUMIKA SH. Pitambara
1ST POSITION 2018 YAIPHABI M. (LFS)
1ST POSITION 2017 PRIYANKA M. (NBS)
1ST POSITION 2016 SOHANA L. (NBS)
1ST POSITION 2013 MIRANDA M. (NBS)
SPECIAL TUITION FOR STUDENTS OF BOARDING
FEW SEATS VACANT FOR BOARDING
CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/8944/21/7-20/8